AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 507

# হেপাটাইটিস সি অমসুং ঐচআইভি

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

## হেপাটাইটিস সি হায়বসি করিনো?

হেপাটাইটিস সি হায়বা ভাইরস (HCV) অসিনা লিভর হায়বদি ফিরাকপু মাঙ–তাকহল্লি। হায়রিবা মহীক অসি মী অমগী ঈ হকথেংননা শম্নরুবা মতমদা শন্দোকই। মীওই অয়াম্বনা য়েৎতুম ৱাইনদুনা ড্রগ কাপ্পদগী হেপাটাইটিস সি (Hep-C) অসিনা নারকই। মপুন্সিদা অমুক্তং ওইরবসু ড্রগ লান্না কাপ্পুবা মীওইশিংগী চাদা ৯০ দি ঐচসিভিনা শোকহল্লি। মীওই খরনা চেকশিন্দনা হকতিন্নরুবদগী ঐচসিভি না নারকপা য়াওই। নুপা মশেল হকতিন্নবা ঐচআইভিনা শোকহল্লবা নুপাশিং, অতোপ্পা হকতিন্নবদগী থোক্লকপা লায়না লৈবা মীওইশিং অমসুং মীওই অমদগী হেন্না হকতিন্নবা মীওইশিংগীদমক্তদি হায়রিবা অসি অচুম্বনি। মীওই খরদি লায়েংবদা শোয়বা য়েৎতুম নৎত্রগা মহীক পক্লবা খুৎলায়শিং শিজিন্নরুবদগী ফিভম অসি ওইরকপা য়াওই। ঈ কাপ্পা অমসুং ঈগা মরী লৈনবদগী মহীক অসি শন্দোরকপগী চাং অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি লৈতবগুম্বনি।

মহীক য়াওরবা ঈদগী শন্দোরকপা চাং অসি ঐচআইভি দগী হেপ সিনা হেল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওই মশীং অদুদগী হেপ সিনা শোকহনবনা শরুক মরিরোম হেল্লি। অদোম HVC না শোকহল্লবসু ইশানা খঙজদবা য়াই। মীওই চাদা ১৫ দগী ৩০ ফাওবদি হেপ সি ভাইরস হায়বা মহীক অসি লায়েংদ্রিবঙৈদা মশা মথন্তা মাঙজখি। লেমহৌরিবা মশীং অদুদি মহীক অসি কুম পুদুনা লৈ অমসুং ফজনা লায়েংদ্রিবা ফাওবা মহীক অসি হকচাং মনুংদা লৈ। চহি ১৫ দগী ২০ ফাওবা নৎত্রগা মসিদগী হেন্না শাংনা হেপ সিনা হকচাংদা করিমত্তা শোকহন্দবা য়াই। অদুবু সিরোসিস (cirrhosis) হায়না খঙনবা লিভরদা (ফিরাক্তা) য়াম্না শাথীনা শোকহল্লি। সিরোসিসনা নারবা মী অদুদি লিভরদা কেন্সর, লিভর মথৌ তৌরক্তবা নৎত্রগা শিবা ফাওবা য়াই।

## মসিগী লাইওং করম্না খঙদোক্কনি?

করিগুম্বদা হেপ সি গা লোইনরিবা মীওইশিং অদুগী লিভরগী এঞ্জাইমশিংগী চাং খঙদোক্লবা তৌবা ঈগী চাংয়েংশিংদা চানদবা মওংদা য়াম্না ৱাংনা ফল ফংবা য়াই। হায়রিবা চাংয়েংশিং অসিগী মরমদা অহেনবা ৱারোলগীদমক ফেক্ট সীট ১২২ নৈনবীয়ু। করিগুম্বা অদোমদা হেপ সি চঙবা য়াবগী ফিভম লৈখিবা থোক্লবদি, অদোমগী লিভরগী এঞ্জাইমশিংগী চাং অদু চৎনবা য়ানা লৈরবসু চাংয়েং শোয়দনা তৌথোকপীয়ু। ঐচআইভি মহীক্না শোকহল্লবা মীওইশিংগী ওইনদি হায়রিবা চাংয়েং অসি শুকশোয় শোয়দনা তৌনবা ৱারোল পীরি। কোইনফেক্সন হায়না খঙনবা ভাইরস অনিমক লৈবগী ফিভম অসি তোয়না থোকপননি।

মহৌশানা হেপ সি গীদমক অহানবা চাংয়েংদি এন্টিবোডি টেষ্ট হায়বা অসিনি। মসিদা ফল অদু পোজিটিব ওইনা লাক্লবদি অদোম হেপ সিনা শোকহল্লে হায়বনি। অদুবু মীওই খরদি হায়রিবা মহীক অসিদগী লায়েংদ্রিবঙৈদা ফখিবা য়াওবনা অদোমদা কুম পুদুনা নাবা য়াবগী ফিভম লৈব্রা খঙনবা হেপ সি ভাইরেল লোড টেষ্ট তৌথোক্কদবনি। অদোমদা হেপাটাইটিসকি লাইওং নৎত্রগা হেপ সি না শোকহনবা য়াবগী ফিভম লৈরবদি হায়রিবা চাংয়েং অসি শোয়দনা তৌ–থোক্লবা ৱারোল পীরি।

হেপ সি চাংয়েং অসি ঐচআইভি এন্টিবোডি টেষ্ট (ফেক্ট সীট ১০২ নৈনবীয়ু) অমসুং ভাইরেল লোড টেষ্ট (ফেক্ট সীট ১২৫) কা মান্নে। অদুবু ঐচআইভি ভাইরেল লোডকি মওংদগী খেন্নবা হেপ সি ভাইরেল লোড অসি য়াম্না ৱাংই, অনম্বনা মিল্লিয়ন লোমদা ওইনা ফংই। ঐচআইভি দৌনা হায়রিবা হেপ সি ভাইরেল লোড টেষ্ট অসিনা লায়নাগী শোকচিল্লকপগী চাং তাক্তে।

হেপ সি ভাইরেল লোড টেষ্ট নৎত্রগা লিভরগী এঞ্জাইমগী চাং য়েংবনা অদোমগী লিভর অদু কয়া য়াম্না শোক্লবগে হায়বা খঙবা ঙমদে। ঈ চাংয়েং অমসুং স্কেন তৌবগী মখল খরনা য়াম্না শাথিনা শোকচিল্লবা ফিভম অদু খঙবা ঙমই। অদুবু হীরম অসিগী অখঙ–অহৈশিংনদি লিভর বাইওপসি তৌবনা লিভর অদুগী ফিভম খঙদোকপগী শোয়দ্রবা পাম্বৈনি হায়না লৌই। বাইওপসি তৌবা মতমদা লিভর অদুগী শরুক খরা অকুপ্পা য়েৎতুম অমনা লৌথোক্লগা মাইক্রোসকোপ্তা য়েংই। খজিক্তং শোকপা ওইরগনা শেন্নবনা ৱারোপ পীরি। অদুবু স্কেরিং (scarring) হায়না খঙনরিবা ফিভম অসিদা শোক্লবদি হেপ সি লায়েং দরকার ওই।

## হেপ সি করম্না লায়েংগদবগে?

মহীক অসিনা হেক শোকহনবগা ইন্টরফেরোন শিজিন্নদুনা লায়েংবা হৌরবদি হেপ সিনা থোকহনবা মখল খুদিংগী অনাবা ফহনবা ঙমই। অদুবু লাইবক থীবদি মীওই অনম্বনা হেপাটিটিসকি লাইওং উখোক্তবা য়াওই নৎত্রগা মদুবু ফ্লুনি হায়না লান্না খল্লি। অনাবগী কেস অয়াম্বনা চহী য়ামশিন্দ্রিবঙৈদা লাইওং খঙবা ঙমদে।

অদোমদা হেপ সি গী মখল করম্বনা শোকহল্লিবনো খঙদোকপনা হেপ সি লায়েংবগী অহানবা খোঙথাংনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা হেপ সিনা শোকহল্লবা মীওই অনম্বনা টাইপ ৱান অসি ওইগল্লি। টাইপ ৱান অমসুং ফোর অসি টাইপ টু নৎত্রগা থ্রী দগী হেন্না লায়েংবদা ৱানা থোকই।

পেগিলেটেদ ইন্টরফেরোন (PEG_IFN) রিবভিরিন (RBV) হায়রিবা হীদাক মখল অনি পুনশিল্লগা লায়েংবনা হায়রিবা হেপ সি লায়েংবগী খ্বাইদগী তোয়না শিজিন্নবা মওংনি। PEG_IFN অসি চয়োল অমদা অমুরক কাপকদবনি। আরবিভি হায়বা অসিনা নোংমদা অনিরক চাগদবা গুলিনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি লোক–লাইহৌগুম্বা লাইওং, ইশাওদা শাওনিংবা, ৱাখল পীকথরকপা হায়বদি ডিপ্রেসন অমসুং ঈগী হায়বদি আরবিসি (এনিমিয়া) অমসুং ডব্লিয়ুবিসিগী চাং হন্থরকপনচিংবা অকনবা সাইড ইফেক্টশিং থোক্কল্লি। হায়রিবা সাইড ইফেক্টশিং অসি করম্না লোইনগদবগে হায়না অদোমবু

AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 507

# হেপাটাইটিস সি অমসুং ঐচআইভি

লায়েংবীরিবা মীওই অদুগা তানবীয়ু।

রিবভিরিন য়াম্না শাথীবা মমা পূক্রুংদগী লোয়নরকপা অশোয়বশিং নুপী ওইবীশিংনা মীরোনহনদ্রিঙৈ মমাঙ য়ামদ্রবদা থা তরুক নৎত্রগনা মীরোনলিঙৈ মনুংদা হায়রিবা হীদাক অসি শিজিন্নরোইদবনি। নুপাশিংনসু নুপী অমা মীরোনদ্রিঙৈ মমাঙ য়ামদ্রবদা থা তরুক্তি মসি শিজিন্নেরোইদবনি।

হেপ সি লায়েংবা অসি থা ৩ দগী ১২ ফাওবা চঙই। ঐচসিভি লায়েংবগী পান্দমদি ভাইরস অসি মরূ ফংনা মাঙহনখিবা অমসুং লায়েংবা পুমলোই লোইরবা মতুং থা ৬ তি ভাইরস অসি য়াওদনা হায়বদি ভাইরস নেগেটিব ওইদুনা লৈবা অসিনি। হায়রিবা অসি সস্টেন্দ ভিরোলোজিক রেস্পোন্স (এসভিআর) নৎত্রগা 'কিওর' হায়না খঙনৈ। লায়েংলবা মতুংদা হেপ সি টাইপ ১ না মীওই চাদা ৪৫ অমসুং টাইপ ২ নৎত্রগনা ৩ না নারবা মীওইশিংগী চাদা ৮০ দি এসভিআর লৈগনি। হায়রিবা চাংয়েংশিং অসি হেপ সি না শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমকনি। ঐচআইভিনসু শোকহল্লবা হেপ সি অনাবশিংদি হায়রিবা এসভিআর নৎত্রগা কিওর রেট অসি য়াম্না নেম্না লৈ।

ঐচভিসিগী লায়েং অসি মীপুম খুদিংমক্তা চৎনদে অমসুং মী খরদি হায়রিবা লায়েং অসি সাইড ইফেক্টশিং অসি খঙবা ঙমদে। মখাগীশিং অসি ওইরবদি লায়েং অসি হেন্না কানগনি। মদুদি :

১) হেপ সি অসি টাইপ ২ নত্রগা ৩ ওইরবা
২) হৌরকপদা হেপ সি গী ভাইরেল লোড অসি নেম্মবা
৩) লিভর য়াম্না শাথীনা শোকহন্দ্রিবা ওইরবা
৪) নুপী ওইরবা
৫) চহি ৪০গী মখা ওইরবা
৬) ঐচআইভি নৎত্রগা হেপাটাইটিস বি না শোকহন্দ্রিবা
৭) অশেংবা কুচু ঙৌবা আমেরিকান ওইরবা, আফ্রিকান আমেরিকান নৎতবা

## হেপ সি অসিবু ঙাকথোকপা য়াগদ্রা?

হেপ এ নৎত্রগা হেপ বিনা শোকহনবদগী ঙাকথোক্লবা টিকা লৈরবসু হেপ সি গীদমক্তদি ভেক্সিন হায়বদি টিকা লৈতে। হীদাক কাপ্পগী খুৎলাইশিং ৱাইনদবা অমসুং হেপ সি না শোকহল্লবা মীওইশিংগা ঈগা শম্নদবনা হেপ সি ইনফেক্সনদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী অফবা পাম্বেনি।

## হেপ সি অমসুং ঐচআইভি

ঐচআইভি অমসুং হেপ সি অনিমক অসি মহীক য়াওরবা ঈদগী শন্দোকপা ওইবনা মীওই কয়া মহীক অনিমক অসিনা পুল্লপ্পা শোকহনবা হায়বদি 'কোইনফেক্সন' থোকহল্লি। ঐচআইভিনা হেপ সিদগী ওইরকপা লিভরগী অনাবগী চাং হেনগৎহল্লি। মহীক অনিমক অসি য়াওরবা মীওইশিংদা এন্টি-ঐচআইভি হীদাক শিজিন্নবনা লিভর শোকহনবা য়াই। অদুবু অদোমগী লায়েং পীবিরিবা মীওইশিং অদুনা লিভরদা য়াম্না শোকহল্লোইদবা হীদাক খনবীবা য়াই।

১) মহীক অমিক অসিন শোকহল্লবা মীওইশিং অসি ৱাখল য়াম্না পীকথহল্লি। ডিপ্রেসন হায়বদি ৱাকল পীকথরকপা অসি হেপ সিগী লাইওং অমনি। মসিনা হীদাক চাহৌদবা (লায়েং পথাপ ঙাকপা ঙমদবা, ফেক্ট সীট ৪০৫ নৈনবীয়ু) অমসুং ৱাখল খনবদা নুংঙাইতবা (ফেক্ট সীট ৫০৫ য়েংবীয়ু) থোকহনবা য়াই।
২) সিডি ফোর সেল মশীং ২০০ দগী হন্থনা লৈবা ঐচআইভি পোজিটিব ওইরবা মীওইশিংদা হেপ সি না থোকহনবা শাথিবা মখলগী লিভর নাবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংই।
৩) মহীক অনিমক য়াওরবা মীওইশিংদা হেপ সিগী ভাইরেল লোড য়াম্না ৱাংনা লৈ। মসিনা লায়েংবদা খরা ৱারনি হায়না তাক্লি।
৪) মহীক অনিমক য়াওরবা মীওইদদি হেপ সিগী লায়েং অসি য়াম্না ফগন্দে। কিওর রেট হায়বদি অনাবা ফবগী চাং অসি টাইপ ১ দনা চাদা ২০ অমসুং টাইপ ২ নত্রগা ৩ দনা চাদা ৫০-৭০ লৈ।
৫) করিগুম্বা ঐচআইভি লায়েংনবগীদমক্তা লৈরিবা চৎন-ৱারোলশিং অদুগা মাগী ফিভমগা চানদ্রবদি, ঐচআইভি অদু হান্না লায়েংগদবনি। থা ৬ তগী ১২ ফাওবা লায়েংদনা থম্বনা তুংদা য়াম্না শাথিনা খুদোং থীনিংঙাই ওই।
৬) করিগুম্বা মতমদা হেপ সি হান্না লায়েংবা মথৌ তাই। ঐচআইভিগী লায়েং অদু খুদক্কি ওইনা দরকার ওইরবদি (সিডি৪ কাউন্ট মশীং ৱাংলবা অমসুং ঐচআইভিগী ভাইরোল লোডনা নম্লবা), হেপ সি হান্না লায়েংথোকপনা অফবা ওইগনি। মসি ওইরবদি লিভর অদু ঐচআইভিগীদমক থারকপা হীদাকশিং অদুগা থেংননবা ফিভম হেন্না ফগনি।
৭) ঐচসিভি লায়েংলিঙৈ মনুংদা ঐচআইভিগী হীদাক খরদি শিজিন্নরোইদবনি। আরবিভি শিজিন্নরিঙৈদা ডিদানোসিন (ডিডিএল) শিজিন্নরোইদবনি। এনিমিয়া হায়বদি ঈ ৱাৎপগী লায়না থোকপা হেনগৎলকপগী ফিভম লৈবনা ঐচসিভি লায়েং তৌরিঙৈদা রেট্রোভির (এজেডটি) শিজিন্নরোইদবনি। হেপ সি অমসুং ঐচআইভি পুন্না লোইনরবদি অদোম্বু লায়েং পীবিরিবা মীওই অদু হায়রিবা ফিভম অনিসিগী মতাঙদা মুন্না খঙবা ওইগদবনি।

## অরোয়বা ৱারোল

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতদি হেপ সি হায়বা অসি য়াম্না শাথীবা হকশেলগী ওইবা সমস্যা অমনি। ঐচআইভি দগী হেন্না হেপ সিনা নারবসু মসিগী মরমদা খঙনদে। য়াম্না শাথিনা উথোলক্ত্রিঙৈদা হেপ সিনা লিভরবু চহী কয়া শোকহনবা য়াই। ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদদি হেপ সিগী অনাবা অসি হেন্না শোকচিল্লি। হেপ সিনা লিভরবু শোকচিলহনবা মরম্না এআরভি শিজিন্নবদা অৱাবা ওইহল্লি। ঐচআইভিগা লোইনরিবা মীওইশিংনা ঐচসিভিগী চাংয়েং তৌথোক্লদবনি। ঙন্না লায়েংহৌবনা হেন্না কান্নহল্লি ।

ঐচসিভি অমসুং ঐচআইভি অনিমক্না শোকহল্লবা মীওইশিং লায়েংবা অসি খরা লুন্না থোকই। মখোয়বু লায়েং পীরিবা মীওইশিংনা হায়রিবা লায়না অনিসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙগদবনি।